অহানবা ওনলাইন নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ

# হঞ্জবম লাংলেনতোম্বী, জোলিসন থাংজম, অচোম তপস অমসুং জোনা প্রিন্সিনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে





ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচএনএস): ৰুশু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নেসনল ৰুশু তাওলু চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ঙসি তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা হঞ্জবম লাংলেনতোম্বীনা সব জুনিয় গর্লস নাগুনদা, জোলিসন থাংজমনা সব জুনিয়র বোইজ নাগুনদা, অচোম তপসনা জব জুনিয়র বোইজকী জিয়াংসুদা অমসুং জোনা প্রিন্সিনা সব জুনিয়র টাইজিজিয়ানদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ওল ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোকপা অহানবা ওনলাইন নেসনল ৰুসু চেম্পিয়নশিপ অসি ৰুসু এসোসিএন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপনি। তরুকনি চনবা নুমিৎকী লোইশিনখিবদা মণিপুরগী ৰুসু শান্নরোয় লাংলেনতোম্বী, জোলিসন, অচোম তপস অমসুং জোনা প্রিন্সিনা মখোয় মখোয়গী কেটগরিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী টাইজিজিয়ান ইভেন্টতা মণিপুরগী শান্নরোয় তোমথিনঙানবী হাওবিজমনা সিলভল মেদল ফংবা ঙমখি। জুনিয়র কেটগরিগী নুপীমচাগী জিয়াংসু ইভেন্টতা মণিপুরগী য়েংখোকম গিতানা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা মতুং সব জুনিয়র গর্লসকী টাইজিজিয়ান ইভেন্টতা মণিপুরগী শান্নরোয় চিংঙাখম কেরোলিনানা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ওনলাইন নেসনল ৰুসু চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৬নি চনবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা মকোক মথং তাখ্রবা ৰুসু শান্নরোয়শিং অদুদা ৰুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট অমদি এদহোক কম্মিতিগী মেম্বর চিরোম নবদ্বিপনা শরুক য়ারকপদা মেম্বরশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মখোয় মখোয়গী পর্ফোমেন্সশিং অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সব জুনিয়র টাইজিজিয়ান ইভেন্টতা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা নুপীমচা শান্নরোয় অহুমক্না ওল ইন্দিয়াগী ওইবা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওনলাইন নেসনল ৰুসু চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারকপবু হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। ৰুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট নবদ্বিপনা মণিপুরগী ৰুসু শান্নরোয় ৪না ঙসিগী কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় ৩না মথং শীৎনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২ লৌখিবা অদুদা অপেনবা ফোঙদোরকখি।

নবদ্বিপনা ঙসিগী ইভেন্ট ৪দা মণিপুরগী ৰুসু শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনসু মখা তাবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্মনবগী থৌনা অদু হাপ্পগী ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

অহানবা ওনলাইন নেসনল ৰুসু চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং পাঙথোক্কদবা ফাইনেলশিংদসু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা অফবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্মনবা থৌজাল ৰুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী পাউন্দর প্রসিদেন্ট নবদ্বিপনা পীখি।

## শুট্টর মনু ভাকর, রেষ্টলর পুজা ধনদা অমসুং দিভ্যা কাক্রননা আউটদোর ট্রেনিং চত্থবদা চীংনবা ফাওরি

ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোকদাউন্দ ৪.০ লাউথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা শান্নবগী ষ্টেদিয়মশিং অমদি স্পোর্টসকী ফেসিলিটি পুম্নমক হাংদোকপা য়াহন্দ্রবসু শুট্টিংগী মায়কৈদা মনু ভাকর, রেষ্টলর পুজা ধনদা অমসুং দিভ্যা কাক্রননা শুট্টিং মশান্না অসিদা আউটদোর ট্রেনিং চত্থবদা লৈরিবা কাংলোনশিং অদু য়েংলগা চীংনবা ফাওবদগী ট্রেনিং চত্থবা পামদ্রি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিরকখিবা ৱাফমদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং মখা তানা চত্থবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরী রজিব মেহতানা ফোঙদোরকপদা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী লৈবাক্না লৌরিবা ৱারেপ অসিগী মতুং ইন্না হাথু-হাথু আউটদোর ট্রেনিং চত্থবদা চীংনবা পোকই হায়খি।

ৱর্ল্ড কপ শুট্টিংদা গোল্ড মেদল ৮ লৌবা ঙমখ্রবী মনু ভাকরনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোরকপদা শুট্টিংগী আউটদোর কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরেপ্পা ৱারোল অমা পীরদুনা ট্রেনিং চত্থবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৌনবগী নুংনাংবা লৈত্রে হায়রবদি শরুক য়াগনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা আউটদোর ট্রেনিং শরুক য়াবা পামদে হায়খি।

রেষ্টলর পুজা ধনদানা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পীরকপা এস ও পিনা রেষ্টলিং অমসুং বোক্সিংগী ওইনা ইন্দিভিজ্যুল ট্রেনিং খক চত্থবা য়াগনি হায়না ফোঙদোরকপনি। স্পেরিংগী খুদোংচাবা লৈত্রি হায়খি।

বুন্দেসলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# হর্থা বি এস সীনা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে, দোর্টমুন অমসুং লেভরকুসেন মায় পাকখ্রে

বর্লিন, মে ২৩ (এজেন্সী): য়ুরোপ্তা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জর্মনিগী লৈবাক্তা পাঙথোকপা বুন্দেসলীগাগী ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হর্থা বি এস সীনা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচশিংদা বোরোসিয়া দোর্টমুননা ৱোল্ফবর্গবু অমসুং বেয়র লেভরকুসেননা বোরোসিয়া মোনচেংগ্লাবাকোবু মায়থীবা পীখ্রে।

হর্থা বি এস সী অমসুং এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিন ফুটবোল ক্লবকী মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫দা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ওল্লিঙৈদগী হৌরগা হর্থাগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেকশিংদা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিন পাঞ্জল ৪ শোত্থখি।

শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা হর্থা বি এস সীগী মায়কৈদগী মারভিননা পীরকপা পাস অমদা বেদাদ ইবিসেবিসনা অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং থংনবা মিনটতা টিমমেট দোদি লুকেবাকিওনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মেচকী ৬১শুবা মিনটতা হর্থাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বেদাদ ইবিসেবিসনা পীরকপা পাস অমদা মেথাও কুনহানা পাঞ্চল চন্দুনা ৩-০দা হেনখি। মেচ অদুগী ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ মাংজিল থারিবা হর্থা বি এস সীনা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিনগী মায়কৈদা দেদ্রিক বোয়ালাগী খুত্থাংদা ৪শুবা পাঞ্জল চনখি।

অতোপ্পা মেচশিংদা বেয়র লেভরকুসেননা বোরোসিয়া মোনচেনগ্লাবাকপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা ৱোল্ফবর্গপু পাঞ্জল ২-০দা অমদি ৱরদর ব্রিমেননা ফ্রেবর্গপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bayern Munich | 26 | 18 | 4 | 4 | 75 | 26 | +49 | 58 |
| 2 | Borussia Dortmund | 27 | 17 | 6 | 4 | 74 | 33 | +41 | 57 |
| 3 | Bayer Leverkusen | 27 | 16 | 5 | 6 | 52 | 32 | +20 | 53 |
| 4 | Borussia Mönchen | 27 | 16 | 4 | 7 | 53 | 34 | +19 | 52 |
| 5 | RB Leipzig | 26 | 14 | 9 | 3 | 63 | 27 | +36 | 51 |
| 6 | VfL Wolfsburg | 27 | 10 | 9 | 8 | 36 | 33 | +3 | 39 |
| 7 | SC Freiburg | 27 | 10 | 7 | 10 | 35 | 37 | −2 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 26 | 9 | 10 | 7 | 33 | 40 | −7 | 37 |
| 9 | 1899 Hoffenheim | 27 | 10 | 6 | 11 | 36 | 47 | −11 | 36 |
| 10 | Hertha BSC | 27 | 9 | 7 | 11 | 39 | 48 | −9 | 34 |
| 11 | 1. FC Köln | 26 | 10 | 3 | 13 | 41 | 47 | −6 | 33 |
| 12 | Union Berlin | 27 | 9 | 3 | 15 | 32 | 47 | −15 | 30 |
| 13 | Eintracht Frankfurt | 25 | 8 | 4 | 13 | 39 | 44 | −5 | 28 |
| 14 | FC Augsburg | 26 | 7 | 6 | 13 | 37 | 54 | −17 | 27 |
| 15 | Mainz 05 | 26 | 8 | 3 | 15 | 36 | 55 | −19 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 26 | 5 | 8 | 13 | 27 | 50 | −23 | 23 |
| 17 | Werder Bremen | 26 | 5 | 6 | 15 | 29 | 59 | −30 | 21 |
| 18 | SC Paderborn | 27 | 4 | 6 | 17 | 31 | 55 | −24 | 18 |

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# সাংজু সাংমু অমসুং সুওন ব্লুৱিংসনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা থাক ফজবা ঙমখ্রে

সিওল, মে ২৩ (এজেন্সী): এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোরিয়া লীগ ১গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সাংজু সাংমু অমসুং সুওন ব্লুৱিংস মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি সুংজু সিভিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুন্থু ওইখিবা সাংজু সাংমুনা গ্বাংজু এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা য়াম্না ঙন্না সাংজু সাংমুগী শান্নরোয় এস কাংনা চনবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিম ১২গী লম্বা অসিদা পোইন্ট টেবলগী ওইনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা গ্বাংজু এফ সীনা মমাঙদা পোইন্ট ফংদনা লাকখিবা অদু সাংজু সাংমুগা শান্নখিবা মেচ অদুদা ফুগৎনবা হোৎনখি।

টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা সাংজু সাংমুগী মায়কৈদগী চত্থরকপা মখা তাবা এটেকশিংদা অকনবা লম্বা পীদুনা পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু মখা তাবা স্কোর তৌহনখিদে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা সুওন ব্লুৱিংসনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫দা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা ৬২শুবা মিনটতা সুওন ব্লুমিৱংসকী মায়কৈদগী পুখৎলকপা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় কে য়িওমনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু ১-০দা থোইদুনা মায় পাকখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Ulsan Hyundai | 2 | 2 | 0 | 0 | 7 | 2 | +5 | 6 |
| 2 | FC Seoul | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 4 | 0 | 6 |
| 3 | Jeonbuk Hyundai | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 1 | +2 | 6 |
| 4 | Sangju Sangmu | 3 | 2 | 0 | 1 | 3 | 4 | −1 | 6 |
| 5 | Seongnam FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 3 | 1 | +2 | 5 |
| 6 | Pohang Steelers | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 3 | +1 | 4 |
| 7 | Gangwon FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 4 | 0 | 4 |
| 8 | Suwon Bluewings | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | −1 | 3 |
| 9 | Daegu FC | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 10 | Incheon United | 3 | 0 | 2 | 1 | 0 | 1 | −1 | 2 |
| 11 | Busan IPark | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | −3 | 0 |
| 12 | Gwangju FC | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 4 | −4 | 0 |

# চহী ১০০/১০০খুদিংগী মালেমদা তমথিরবা লায়না শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱায় মাংখি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহী ৪০০গী মনুংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা তমথিরবা লায়না কয়ানা লান্দারক্তুনা মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱাই মাংখিবগী পুৱারীসু লৈতবা নত্তে। চান্নরুবা হায়গদ্রা মালেম অসিদা চহী ১০০/১০০গী মতুংদা তমথিরবা লায়না কয়া শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ কয়া-কয়াগী থৱায় মাঙহনখিবগী পুৱারীবু হনগৎনা য়েংলুবদা অচুম্বা তশেংনা থোকখিবা থৌদোক য়াওদবসু নত্তে। পুৱারীদা লায়নাশিং অসিগী হীদাক মতম চানা পুথোকপা ঙমদবদগী মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱায় মাংখিবনি। ঙসিসু মেদিকেল সাইন্সনা ফনা য়াম্না চাউখৎলে হায়রবসু কোরোনাভাইরসকী হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবনা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙলি।



*তমথিরবা কোরোনাভাইরসকী লায়নানা স্পেনদা শিহনখ্রবা মীওইশিংবু অচৌবা মোংফম অমদা ফুমখিবা*

*কুমজা ১৭২০, ১৮২০ অমসুং ১৯২০দা পাকশন্না তমথিবা লায়না কয়ানা শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ কয়া-কয়াগী থৱায় মাঙহনখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০২০দসু চাইনাগী বুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরসনা মালেম পুম্বদা অশি-অনা কয়া থোকহন্দুনা ঙসি ফাওবদা চাওরাক্না মালেমদা মীওই ৩,৪১,১০২গী থৱায় লৌখ্রে। মীওই ৫৩,৪৮,২০০না কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরি। লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা লায়না অসিগী ফীভম য়েংলুরগদি লাক্কদৌরিবা চহী অসিগী লোয়শিল্লকপা ফাওবদা শিবা অমদি নাবগী চাংসু হেনগৎলকখিনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা পানরি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী থৱায় লৌবখক নত্তনা লৈবাক কয়াগী ইকোনোমিবুসু খম থেংনা মাংহল্লি।*

## কুমজা ১৭২০-প্লেগ | কুমজা ১৮২০-কোলেরা | কুমজা ১৯২০-স্পেনিস ফ্লু






কুমজা ১৭২০দা বুবোনিক প্লেগ হায়রগসু খঙনবা লায়না অসিনা মালেম পুম্বদা শন্দারক্তুনা মীওই লাক্ষ কয়াবু অশিবগী খয়াৎতা তাহনখি। ফ্রান্সকী মার্সিলে সিটিদা লায়না অসিনা চাওরাক্না মীওই লাক্ষ অমা শীহনখি। মতম অদুদা মীওই লাক্ষ অমা শিবা হায়বসি মালেমগী মীওই চাদা ২০ শিবগা চপ মানখি। পার্সিয়া অমসুং ইজিপ্টতসু লায়না অসিনা কা হেন্না অশি-অনা থোকহনখি। পুৱারী নৈনবশিংগী মতুংইন্না লায়না অসিনা য়ুরোপ, অফ্রিকা অমসুং এসিয়াদা পুন্না মীওই ক্রোর ৭ রোম শিহনখি হায়না পানরি। লায়না অসিনা ইন্দিয়াদসু ১৯সুবা চহীচাগী অরোইবা মতম ফাওবা মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱায় মাঙহনখি। লায়না অসি উচি অমদি ফমুংদা লৈবা মা হায়রগসু খঙনবা তিন অসিনা শন্দোকপনি। মীওই অমবু নুমিদাং তুমখিবদগী অয়ুক্কী মতমদা শিনা লৈরম্বা থেংনবদগী মালেমদা মীপুম খুদিংদা য়াম্না কিনবা লায়না অমা হায়বদুসু ওইখি।

কুমজা ১৮২০দসু তমথিরবা লায়না অমা ওইনা কোলেরাগী লায়না থোক্লকখি। লায়না অসি অহানবদা থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সদা অচাকপা মৈগুম খোঙজেল য়াংনা শন্দোকখি। লায়না অসিনা শুপ্পগী জাৱা হায়রিবা মফম অদুদা মীওই লাক্ষ অমগী থৱায় মাংহনখি। কুমজা ১৯১০ অমসুং ১৯১১গী মনুং চন্না লায়না অসিনা ইন্দিয়া, অফ্রিকা, নোর্থ য়ুরোপ অমসুং রুস ফাওবা শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ ৮ রোম হেন্না অশিবগী খয়াৎতা তাহনখি। কোলেরা হায়রিবা লায়না অসি ৱিব্রিও কোলেরা হায়রগসু খঙনবা বেক্টেরিয়া মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিগী লাইওংদি খোঙহামথবা অমদি ওবনি। থৌওং অসিনা মীওইবদা য়াওবা ঈশিংগী শরুক পুম্নমক মাংহনখিদুনা হকচাংদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা ঈশিং ফংদবনা পুং খরগী মনুংদা মীওই অদু শিহল্লি। রিছর্স অমগী মতুংইন্না লায়না অসি অহানবা ওইনা বঙ্গালদেশতগী হৌরকখিবনি হায়রি।

লায়না অসি চহীচা অদুগী খ্বাইদগী তমথিবা লায়চৎ অমনি হায়না পুৱারী নৈনবা মীওইশিংনা হায়নখি। ভাইরস অসিনা কুমজা ১৯১৯দা মালেমগী মীওই চাওরাক্না শরুক অহুম থোকপগী অমা মতম পুম্বগী ওইনা অশি লৈবাক্তা থাখিবা হায়বদু ওইখি। ভাইরস অসি অহানবা ওইনা য়ুরোপ, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং এসিয়াগী লৈবাক খরদা শন্দোরক্তুনা মীওই ক্রোর ২দগীনা ক্রোর ৫ রোম ফাওবা শিহনখি হায়রি। লায়না অসি লোক খুবা হাকথি খনবদগী থোক্লকপা দ্রোপলেট্সতগী শন্দোকই। ভাইরস অসিনা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না শিহনখিবা লৈবাক্তি স্পেন ওইখি। মরম অদুনা লায়না অসিবু স্পেনিস ফ্লু হায়নসু খঙনখি। ইন্দিয়াদসু লায়না অসিনা চাওরাক্না মীওই ক্রোর ২গী থৱায় মাঙহনখি হায়না পুৱারী নৈনবা মীওইশিংনা পানরি। লায়না অসিনা লৈবাক কয়াগী ইকোনোমি খম থেংনা শোকহনখিদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হল্লক্লুবা হোৎনবদা চহী কয়ামুরুম চংহনখি।

# কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাংশিং




মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎনরি। হৌজিমক্কী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ভেক্সিন ১০০ রোম মায় পাকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মীওইবদা চাংয়েং তৌবগী থাক্তা লৈরিবা ভেক্সিন ৭/৮ লোম ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দল্লীয়ু ঐচ ও)না কুপ্না য়েংশিল্লি। মালেমদা মাংজিল থাবা ভেক্সিন পুথোকপা কম্পেনি অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী সিরম ইন্সটিট্যুটনসু তোঙান-তোঙানবা ভেক্সিন কয়ামরুম পুথোক্লবা হোৎনরি। হৌজিক-হৌজিক মায় পাকপগী থাক্তা লৈরবা ভেক্সিনশিংদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মোর্দনা আই এন সীনা শেমগৎপা আর এন এদা বেজ তৌবা ভেক্সিন; ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী ভেক্সিন; বেজিংদা লৈবা সিনোভেক বাইওটেক লিমিটেদকী ভেক্সিন; য়ু এসকী 'ফিজর'না জর্মন ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনি 'বাইন টেক'কা খুৎশম্নরগা শেমগৎপা আর এন এ ভেক্সিন মরি; য়ু এসকী নোভাভেক্সনা কোলিসন ফোর ইপিদমিক প্রিপ্যের্দনেস ইনোভেসনদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৮৮৮গী শেন্থং লৌরগা শেমগৎপা এন ভি এস- সী ও ভি ২৩৭৩; বৃটিস অমেরিকন টোবেকোনা শেমগৎপা ভেক্সিন অমসুং সেন দিগোদা লৈবা ইনোভিও ফর্মাস্যুতিকেলগী 'আই এন ও-৪৮০০' ভেক্সিননি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী ফর্মাস্যুতিকেল কম্পেনি 'ষ্ট্রাইদস ফার্মা' অমসুং 'গ্লেনমার্ক'না ফেভিপিরাভির দ্রগকী চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লি। জাইদস কেদিলানা ভেক্সিন অনী; সিরম ইন্সটিট্যুট বাইওলোজিকেল ঈ, ভারত বাইওটেক, ইন্দিয়ন ইম্যুনোলোজিকেল অমসুং মিনভেক্সনা ভেক্সিন অমমম পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট ফার্মশিংনা ভেক্সিন পুথোক্লবগী মতাংদা অকনবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর ক্যের্স ফন্দনা লুপা ক্রোর ১০০ ভেক্সিন পুথোক্লবগী থবক থৌরমদা পীথনবা ৱারেপ লৌখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা ভেক্সিন পুথোক্লবা থবক থৌরমদা মাংজিল থারিবা কম্পেনিশিংদি সিরম ইন্সটিট্যুট, ভারত বাইওটেক অমসুং বাইওলোজিকেলস ঈনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসি মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা পাক শন্না শন্দোকখ্রবা মতুংদা থা ৩ চোন্থরগা ইন্দিয়াদা শন্দোরকখিবা মরম্না লৈবাক অসিদা ভেক্সিন পুথোক্লবগী থৌরাং মতম খরা থেংথখিবনি হায়না সেন্টর ফোর সাইন্টিফিক ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ভেক্সিন অয়াম্বা মীওইবদা চাংয়েং তৌবগী থাক্তা লৈরি। করিগুম্বা চাংয়েংশিং অসিদা মায় পাকপা থোক্লবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা দোজ মশিং য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনগদৌরি। হরীম অসিগী মতাংদা দল্লীয়ু ঐচ ওনা ইন্দিয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। ভেক্সিন মশিং য়াম্না পুথোকপদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা অতেনবা মতমগী মনুংদা দোজ মশিং য়াম্না পুথোক্তুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙমগনি হায়বসি দল্লিয়ু ঐচ ওগী অচেৎপা থাজবনি।






HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com